HUEIYEN LANPAO

# রুপমহলগী অনৌবা প্লে ‘মঙাল’ য়েংলুবদা মোঙলকপা খরদং

-নানি



মণিপুরদা য়াম্না তাঙনা লৈজরিবা মণিপুরী থিএটরবু য়োকপী-নাওকোনবীরকপশিংগী মনুংদা রুপমহল থিএটর হায়বা অসিসু চিংথবা য়াদনা মশীং থেক্লিবা অমনি। রুপমহলনা ঙসি ফাওবা অসিদা থিএটরগী লম্‌দা তৌবিরক্লিবা কন্ত্রিব্যুসন কয়া অসিদি শিংথাবগী লোইবা নাইররোই। মতিক চাবা মশক নাইরবা এক্টর/দিরেক্টর কয়া অমদি ফজরবা কাউবা ঙমদ্রবা প্লে কয়া পুথোক্তুনা লাক্লি। কুম খুদিংগী চৈরাওবা লাকপদা অনৌবা প্লে হেক হেক পুথোক্লম্মী। হৌখিবা চহীদদি কোভিদকী পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা অনৌবা প্লে পুথোকখিদ্রমালে খল্লি। কুমসিদি রুপমহলগী অনৌবা এক্টর কয়াগা লোয়ননা মশক থোক্লবা প্লে ‘মঙাল’ হায়বা অমা পুথোরক্লে। লীলা অসি হৌখিবা এপ্রিল ১৪, ২০২১দা মশামক্কী ওদিটোরিয়মদা প্রেমিয়র শো উৎতুনা ফোঙখ্রে।

লীলা অসিগী রাইটর অসিসু ঐঙোন্দদি অনৌবনি, প্রভাৎচন্দ্র হায়বনি। হান্না কয়া মিং তাখিদ্রিবা ওইনা তৌই। খূৎইসু অনৌবনি, লীরিবা ৱারীগী মশাগৎসু অনৌবনি। মনুংদা য়াওরিবা আইদিয়াবুদি পংহায় হায়নদুনা লাকখ্রে, থোইদোক্লা নৌবা নৎত্রে। ফজরিবদি, প্লেরাইট অসিনা পুথনীংলিবা মীওইবগী অমম্বা ৱাখলগী লম্বীদা চৈশু ওইনা পীরিবা/থাল্লিবা মঙাল (enlightened) অসিগী প্লোটিং অসিনি। মৈতৈ নুপীগী ঈগী ঈচেল নাইনা চেল্লিবী, থৌনা ফবী, খাঙবা কনবী, আইদিএল ৱিমেন থোইবী কৌবী রোল অমা শেমদুনা লীলা অসিগী সেন্ত্রিক পোইন্ট ওইনা থম্মী। মদুগী তুংদা মৈতৈ নুপী অমনা থেংনরিবা পুন্সিগী অৱাবা অমদি নাইতোম তারবী কয়াদা লমদম অসিগী মপুকচেল ৱারকপা ঙমদ্রবা নুপা কয়াগী অখাবা কল্লক-মীহৌবা মীৎয়েং কয়াগী প্লোট মচা মচা হাপচিন্দুনা লীলা অসিগী মথৌ শংলকই। মরকসিদা নোংমা উরিপোক্তগী সনাহল কৌবা বি ঈ লোইরবা লৈঙাক্কী থবক ফংবা ঙমদ্রবা, বিষ্ণুপুর দি সী ওফিসতা অপিকপা সপ্লাই মচা মচা তৌদুনা পুন্সি হিংনবা হোৎনবগা



লোয়ননা মচাবু মতিক চাবা মী অমা ওইনবা শেমজরিবা নুপা অমনা খুদোংথীবা অমা তাদুনা গাড়ী ফংদ্রবদা থোইবীনা মশাগী ময়ূমদগী মাগী মপুরোয়বনা শীজিন্নরম্বা স্কুটর পুথোক্তুনা মতেং পাংবীখি। সনাহলনা থোইবীগী ৱাহে ৱাতা ফজবা, চঙখোনবা মশক উরুবদা ফৈজৈনবা ৱাখল অমা হাইজিনখি। নোংঙাল্লগা গাড়ী থিনবা লাকপা মতমদা পূক্লিংগী ৱারোল ফোঙদোকপা হৌরকপদা থোইবীনা য়াম্না হৈ-শিংনা “য়ূমগী লৈরিবা নুপী অদুনা ইহেন হেল্লি হায়না খন্দুনা লুহোংদুনা লৌখিবা নুপী অদো, হন্দক্কী মপোক অসিগীদি খ্বাইদগী ফজবা হায়বা অদু মহাক অদুনি” ৱাখল খনবীয়ু হায়বা ফজখ্রবা ৱাফম অমা কাঙথোরকপদগী সনাহলগী ৱাখলদা অনৌবা মঙাল অমা ফংবা ঙমখি। লোয়ননা চহী হংদুনা থোইবীবু ইতৈমা হায়না মীঙ্গৌদুনা, মতেং কয়া পাংদুনা অরৈ-লৈত তাথোক-তাশিন্নখি। তশেংবদি থোইবী মপুরোয়বা কায়নরবী নত্তে। মরৈবাক মরমদমবু নুংশিজবা লৈকায় ক্লবকী থৌদাং মায়পুনদুনা লাকপা ইবোয়াইমগী লোয়নবীনি। মচানুপা অমা পোক্লবা মতুংদা লমদম অসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগা খূৎশম্নদুনা মীয়ামগী থবক তৌবা হৌরকপদা লমদম অসিগী লো এনফোর্সমেন্ট কাঙবুনা লালহৌবা য়াওই হায়বগী মীংদা ফানবা তানরকপদগী নমদুনা মীরোৎ ওইখিবনি, লালহৌবা য়াওখিবনি। ইবোয়াইমগী মপুকচেলনা চেৎখিবনা নীং-খা তম্বগী শম্বল নাম্থোক্তুনা মহাক্কী নুপী অঙাংগী ৱাখল থাদোকখিবদগী কায়নরবা মতুং শুপ্নগী অনীরকখক উনহনখি। অকোনবা উনবদুগী মতুংদা লীলাগী ৱারোইশিন পুরকখিবনি।

লীলাসিনা ইশম শম্না হায়নীংলিবসি মপুরোয়বগা লৈমিন্নদ্রবসু, মৈতৈ নুপী অমনা খ্বাংচেৎ মচি লাংদুনা, মশাগী ৱাখল পূক্লিং নীংথিনা ফাথরগা অঙম্বা থৌনা লৌশিং পুথোক্তুনা মচাবু মী অমা ওইনবা শেম্বতা নত্তনা অকোয়বদা লৈরিবা অৱা অনা তারবশিংবুসু অঙম অঙম্বা মতেং পাংদুনা মী অমা ওইনা হিংবা ঙম্মী হায়বসিনি। মসিগা ইরোয়ননা, ঐদি লাইরিক হৈরবনি, এম এনি হায়না মশানা নাপল কাজদুনা, খূৎ অমদি পাঙ্গলনা শূ নোম্লিবশিংবু থওই ৱাওইদবগী মহুত্তা, লাইরিক লাইশু হৈরবশিংনা লৈঙাক্কী থবক ঙাক্তা ঙাইদুনা লৈবগী মহুত্তা ঐখোয়গী লৌবুক, ইস্কোল পূম্নমক মতম পূম্বগী অশংবা ওন্থোক্তুনা চিঞাক্তা মীপান তাংদনা হিংবগা লোয়ননা ইশাগী শেন্থোক মরাং কায়না ফঙদুনা মতিক চাবা মী অমা ওইনা শেমজবতা নত্তনা ষ্টেটকী শেন্মীৎলোন্দসু মতেং পাংদুনা ষ্টেটকী ইকনমি দিভেলপমেন্টতসু থবক তৌবা য়াই হায়বা অসিনি। লীলাসিগী মপুথোক থোইদোক্লা অনৌবা অমমক্তি ওইদে, রুপমহল থিএটরনা মমাঙদা শান্নখ্রবা প্লেগী মশক্তগী কা হেন্না হোংদে। মসিসু থিএটর গ্রুপ অসিগী ত্রেদিসন অমনি হায়না লৌবা য়াই। মণিপুরী থিএটরগী পুৱারীদা অরাম্বম সমরেন্দ্রনা সিন অমগী লীলা ইদুনা চাংয়েং অমা ওইনা পুথোকপা হৌরকখিবনি। মদুগী শরুক অমা ওইনা রুপমহলনা রাইটর অদুগী লীলা কয়া শান্নখি। **তঙাং মহাজনন্না তুবদা** য়াম্না ফজখিবা লীলানি। লীলাগী ৱারীগী মশাগৎ য়াম্না খেন্নে, অদুবু ষ্টাইল অমদি মচৎ অদুদি হন্দক্কীসিগসু হায়রপ মান্নরপ তৌই। হন্দক্কী প্লেসি য়েংনা য়েংনা **তঙাং মহাজনন্না তুবদা** হায়বদু নীংশিংলকই। ৱারী খেন্নে, মশক লোইনা খেন্নে, দিজাইন অদুগী ৱানি। **মঙাল** প্লে অসিগী রাইটরনা চপ মান্নবা সেটতা উৎলিবা সিনশিং অদুগী ওইবা ইস্যু অমমম পুথোক্লবা ৱাখল তৌরম্লগদি হেন্না ফজরমগনি। পুনশিন্নবা য়াবা সিন য়াওরিবরা হকচিন্না য়েংলগা পুনশিন্নবা য়াবমখৈ পুনশিল্লগা, অতোপ্পা সিনশিংদা প্লেসিনা হায়নীংলিবা কয়া অদুগী ইস্যুশিং অদু থাঙ্গৎতুনা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা য়াব্রা য়েংশিনবা য়ারি। প্লেদা হেন্না ইফেক্টিভ ওইগদবা লাইটিং খরা স্পিসিএল্লি শীজিন্নবা য়ারিবরা য়েংশিনখিবা য়ারি। ইবোয়াইমনা মহাক্কী নুপী থোইবীগী দুকান্দা লাক্তুনা উনরবদু এক্টর অমদি ওদিএন্সকী মীহুলগী খোঙজেল য়াঙখৎহনবা য়াবা



করি লাইটিং দিজাইন তৌবা য়ারিবগে খনবা য়ারি। লীলাসিদা শরুক য়াখিবশিংদি - এন ঙাম্থোই, বসন্ত, এন জি নবকিশোর, ইবোহল, রাজেন্দ্রো, প্রেমানন্দ, জেমস কোইরেং, নোংগ্রেনবা, কেনবী, শর্মিলা, জমুনা, জেসমিন, মালেমঙানবী, চীংতমঙানবী হায়রিবশিং অসিনি। লীলা অসিগী অইবনা প্রভাৎচন্দ্র অদুগা লীলাসিগী দাইরেক্টরনা কে ঐচ বিশ্বামিত্রনি। কে ঐচ বিশ্বামিত্র, রুপমহল থিএটরগী নহা ওইরিবা দাইরেক্টরশিংগী মনুংদা খূৎ থেক্তুনা পাবা য়াবা মশক নাইবা, এক্টর/দাইরেক্টরনি। লীলাসি য়াম্না চঙখোন্না দাইরেক্টরনা রুপমহলগী হান্নদগী লৈজরক্লবা লীলা মপুথোক্কী কাঙলোনশিং কায়দনা নিংথিনা দিজাইন তৌদুনা পুথোরকপনি। লীলাসিদা শক্তম লাংলিবা আর্টিষ্টশিং হান্না লীলা খরদা উরবা মরি-মঙা নত্তনা অয়াম্বদি অনৌবা ঙাক্তনি। য়াম্না থৱায় য়াওনা শান্নে। অনৌবা পুথোকপগী হোৎনবা মরক্তা দাইলোগ চিনফা মাঙখিবা মতাং অমা অনী নত্তনা থোইদোকপা মেনখৎনীংঙাই লৈতে, লীলাসিগী খোঙচৎ য়াঙখৎলকখিনি, আর্টিষ্টশিং মথ্বায় হেন্না পাল্লকখিনি। শোয়খিগদ্রা হায়বগী নীংজিং মাংজিংনবা থাদোক্লগা কেরেক্টরগী মনুংদা চঙশিল্লকখিনি অমদি লোন মশাগী ওইনা ওন্থোরকখিগনি। মদুদনি লীলাসিগী মতিং অমা থোরক্কদৌরিবা।

রুপমহল থিএটরসি কুমজা ১৯৪৩গী দিসেম্বর ২৩দা লিংখৎখিবা য়াম্না লীরবা মমিং লৈরবা গ্রুপ অমনি। মমিং লৈরবা লীলা কয়া পুথোকখ্রবা গ্রুপনি। মণিপুরী থিএটরগী মুভমেন্ট শাগৎলকপদা মাঙজিল থারকখিবনি। রুপমহলগী প্লে খুদিংগী ওন্থোক্লা ফজখ্রবা লীলাগী হৌবা, কাষ্টিং লাউবদা অমদি লীলাগী সিন তাইনবদা শীজিন্নবা য়াম্না ফজবা কনভেনসনেল ওইরবা ম্যুজিক অমা লৈজে। মদু হন্দক্কী অনৌবা প্লে অসিদদি শীজিন্নখিদে, তাবা ফংখিদে। অনৌবা ম্যুজিক শেমগৎপরা হায়বসু মান্দবা, ফ্লায়িং ম্যুজিক শীজিন্নখিবদুনা, য়ূমদগী লাকপদা রুপমহল প্লেগী ম্যুজিক তারুগনি, নুংঙাইরনি খনখিবা ৱাখলদুগী নুংঙাইবদুমদি মাঙখিবগুম তৌখি। অনৌবা ম্যুজিকনা মহুৎ শিনখি। রুপমহলগীদমক্তি মদুগী সিগনেচর ম্যুজিক অদু মাঙহন্দনা থমহন্নীংই। প্লে অসিদা ম্যুজিক্কী অচৌবা মফম অমা কনবা য়ারম্বদু অহাঙবা মফম অমা লৈহৌরি হায়না খল্লি। রুমপহলগী ফজরবা অনৌবা প্লে অসি হেন্না চঙ থোকপা অমা ওইহনবা য়ানবা করি খুজিন থৌরাং তৌবা য়ারিবগে হায়বদু শোয়দনা য়েংশিল্লকখিগনি।



## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।০৪।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
শজিবুগী ১৩ নি পানবা।

মেষ : অঙম্বনা চানবীবা, ৱানোম থৌনোম কান্নবা, অনৌবা লৌশিং ফংজবা অমদি মরুপ মপাংগী মতেংসু ফংবা নুমিৎনি। য়েক্লবনা হন্দুনা ঙাঙবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃষ : পূক্লিং ফাথনা অমদি চরাংনদনা থৌ পাংবা মথৌ তাবা নুমিৎনি। হেন্না মীৱা থাজগনু অমদি হন্থবা লোয়নগনু। অরুবা থবক্তি মতম ঙাইখো।
লৈশা পাখংশিংগী - খরসু পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : মরুপ খনবা হৈত্রদি লুনা থমজবা লন মৎপিখিবা য়াই। অমরোমদা হনবা লৈতনা হোৎনজমন্না মীকোক থোংগনি, মীয়ামগী মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইরে, লাইবক ফরে, ওইজ-ওইথক শোইদনা ফংজগনি অমদি অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাই। অশাওবনা কাইনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীচং ফংগনি-নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : ইমুং মনুংগী ৱা তারগা থবক পাংউ-কান্নগনি। অফা অপুন কোকচগনি অমদি নহৈ/লৌশিং চাওখৎকনি। য়েৎনরম্লসু ৱাখল তামীন্নবা য়ারনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপাদি চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : ৱাখল নুংঙাইজবা, মীচং হেনগৎপা অমদি অনৌবা থৌরমদনা হেন্না মায় পাকচবা নুমিৎনি। ফনবা হোৎনবদা খরা ৱারসু মায়দি পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : অনম তানবা অমদি মরম চাদবা থবক পায়রুবনা লন মাঙগনি। নাইতোম ৱারেপ লৌগনু অমদি নোল্লুক্লা চৎলু। অদুবু থৌনাদি হনগনু য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নাপল থাদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা।

বৃশ্চিক : শেল ফংগনি, নীংবা থুংগনি অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নগনি। মীংচৎ অমদি মরুপ মপাংগী মতেংসু ফংগনি। অরং অরাক লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : থাজদনা ওইজবা য়াম্না ফংগনি, অনৌবা অফবা মরুপ ফংগনি, লম-চৎপা মহয় য়ানগনি অমদি ৱাখল থোক্কনি। মীয়াম্না লোয়নবা পামগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী চেৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাবু/য়াইঙং।

মকর : অনম তানবা অমদি খুৎ চাওবগী কান্নবা ইফং ফংলোই। অদুবু নচা ননাইগী লম্‌দা অমদি মীয়াম্না পাম্নবা থবক পাংবদা মায়দি পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কুম্বা : পোরম য়াৎলগা থৌ পাংবদা মায়থীনিংঙাই লৈতে অমদি নচা-ননাইগী য়াইফবা উগনি। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাই। অদুবু হেন্না অশা চাওবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাঙবদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : নীংবা থুংবা অমদি শেল-থুমগী লম্‌দা কান্নবা নুমিৎনি। অফা-অপুন কোক্কনি, থিবা হুম্বা কনবৈ কান্নবা ফংগনি অদুবু হকচাংগীদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




হেন্থোই : ঙরাং দেল্লিদগী ট্রেনদা দিমাপুর তান্না হল্লকপদা ওন্থোক্লা ৱাখ্রে। শামনখিবনা ঐনা ফন্নিবা মথক থংবা সিট অদুদা তুম্বা ঙমখিদে।

রোনি : অতোপ্পা মীওই অমগা সিট ওন্নথোকপা য়াদ্রা?

হেন্থোই : সিট ওন্নথোক্কে হায়নদি খনবনি। অদুবু ঐগী মখাথংবা থোংনাউ পানবা সিট অদুদা মীওই অমত্তা ফম্বা লাক্তবা অদুননি ....!!!

---

মপা : ইবুংঙো, কৈদৌরবগে নখোয় নমাসিবু ঙসিদি তুমিন্না ফমদুনা লৈরিবসিবু ?

মচা : কৈসু তৌদে বাবা, ইমানা ঐঙোন্দা লিপষ্টিক পুরকউ হায়রকপদা ঐনা শোয়দনা ফেবিকুইক পীরুবনি।

মপা : নোক্লদুনা, ভেরি গুদ... নঙগুম্বা ইচা মপোক-মপোক খুদিংদা ফংবা ওইসনু ...!!

---

ওজা : তোম্বা নঙ ইংলিস য়াম্না শোল্লি।

তোম্বা : ওজানা করিগী ওইদবা ঙাঙবিরিবনো?

ওজা : ফরে-ফরে অদুদি- ‘নঙ না পংব্রা’ হায়বসি ইংলিসতা হায়য়ু।

তোম্বা : মনা পংবা মীওই অদুদা ঙাঙলুরগা তারসু তারোইদবদা ইংলিস লোল্লুরগা করি কান্নগদৌরিবনো?

---

ওজা : ন্যুজপেপর (পাউচে) অমদি রেদিওগা করি-করি খেন্নবা লৈ হায়য়ু?

চাওতোন : ওজা, ন্যুজপেপরদনা তন, বোরা, কাংহৌ য়োমদুনা পুরকপা য়াই অদুগা রেদিওদনা মদুগী খুদোংচাবা লৈতে।

---

মপুরোইবা : নুপী নঙ খঙব্রা ঈশৈ হায়বসিদা মতিক-মগুন পৱার য়াম্না লৈ। ঈশৈনা ঈশিং ফাওবা শৌহনবা ঙম্মী।

নুপী : ঐ থাজৈ। মরমদি নঙনা শকপা ঈশৈ তারগা ঐগী ইশাদা চেল্লিবা ঈগী খোঙজেল ফাওবা য়াংখলক্তুনা বি পি য়াম্না তোয়না ৱাংখৎহল্লি।

---

ট্রেন অমনা য়ু থকপা মীওই ১০০ তকখাইরম্মী। মীওই ১০০ অদুগী মনুংদা ৯৯না শিখি, অদুগা মীওই অমখক হিংহৌখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা রিপোর্টর অমনা হিংহৌরিবা মীওই অদুদা মহাক মতৌ করম্না হিংহৌরিবনো হায়না হংই।

য়ু থকপা : থৌদোক অসি ট্রেন ষ্টেসনদগী এনাউন্সমেন্ট লান্না লাউথোরকপদগী থোকখিবনি। মখোয়না লাউথোরকপদা মুম্বই এক্সপ্রেস প্লেটফোর্ম নম্বর অমদা লাক্লগনি হায়রকপদগী পাখৎতুনা ট্রেনগী ট্রেক্তা চোংথখিবনি। মদুদা ট্রেন লাক্তুনা তকখাইবনি।

রিপোর্টর : অদুগা অদোমদি ৱাখল তাহৌবনা ট্রেনগী ট্রেক্তা কুমহৌদদুনা হিংহৌরিবনিকো।

য়ু থকপা : নত্তে, ঐদি সুসাইট তৌরগে খনবদগী ট্রেন লাক্কদবা ট্রেক অদুদা তুমদুনা লৈরম্বনি। তাঞ্জা অদুদা লাউথোরকখিবা এনাউন্সমেন্ট অদু তাবদগী প্লেটফোর্ম নম্বর অমদা কাখৎলকপনি...!!!


☞ পীরিবা ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।




Title: Oggy
By: Lanchenbi Angom
Class: IV
School: Pitambara English School




Title: Ship
By: R.K. Arjunsana
Class: III Sec: A Roll: 24
School: Bethany School Guwahati



Title: Makeup
By: Synthoilembi P.
Class: II
School: P.P. Academy School



Title: Save Tree
By: Aphaahen Luwang
Class: VI Roll No. 6
School: PES Lamding



Title: Butterfly
By: Kh. Yaiphabi Devi
Class: I
School: Era's English School Ningthoukhong




Title: Mango Tree
By: Kh. Yoihenba Singh
Class: K.G.
School: Era's English School, Ningthoukhong



Title: Ice-Dragon
By: Trishil Laishram
Class: II Roll: 24
School: SL Arena of Learning



Title: A Girl
By: Trisini Laishram
Class: II Roll: 25
School: SL Arena of Learning



Title: A Cat
By: Thoithoiba Moirangthem
Class: Pre Nursery
School: Seldom Academy English School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।